# ৱার্ল্ড বোক্সিং কপ ২০২৫ঃ
# মিনাক্ষি অমসুং পুজা রানী মেডল কনফার্ম তৌখ্রে

অষ্টানা, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ
ইন্দিয়াগী মিনাক্ষি (৪৮ কেজি) অমসুং পুজা রানী (৮০ কেজি) কজাখষ্টানগী সিটি অষ্টানাদা চথরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং কপ ২০২৫গী য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিং মায় পাক্তুনা মেডল অনী কনফার্ম তৌখ্রে।

নুপীগী কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা কম্পিট তৌরিবী ইন্দিয়াগী মিনাক্ষিনা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা চাইনিজ তাইপৈগী গৌ য়ি জুৱানবু মপুং ফানা খুদুম চন্দুনা পোইন্ট ৫–০দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

কেজি ৮০গী কেটেগোরিদা কম্পিট তৌরিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর পুজা রানীসু ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা য়ুম্ফু কজাখষ্টানগী বোক্সর গুলসায়া য়েরঝানবু পোইন্ট ৪–১দা মায়থিবা পীরল্লগা লাষ্ট ফোর চঙখি।

ঙসি অঙনবদা থিন্নখিবা কেজি ৫১গী বাওট অমদা টর্কিগী এসেন টাস্কিনবু য়ান্না লায়না মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মোমেন্টম মখা চথরক্লি।



নুপাগী দ্রোদা যাদুমনি সিংহ ফিলিপিন্সকী জয় ব্রাইন বেরিকুৱাট্রোগা থিন্নখিবা য়ান্না লম্বা মান্নখিবা বাওট অমদা মায়থিদুনা কেম্পেই লোইশিনখ্রে।

ৱার্ল্ড বোক্সিং কপ ২০২৫গী হুন্নিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা মেডল অনী কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা বোক্সর কয়াসু মেডলগী কন্টেন্দর ওইরি। ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অষ্টানাগী লেগ অসিদা য়ান্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎলি। মসিগী মতুং ইন্দিয়ান বোক্সরশিংনা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা ফাইনেলসতা মীৎয়েং থল্লি।

# ষ্টেটকী সব–জুনিয়র নুপী ফুটবোল টিম শেন্নবগী ট্রাইয়েল কম কোচিংদা য়াওনবা ৭১গী মিং লাউথোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ
সব–জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবা মণিপুরগী নুপী টিম শেন্নবগী ট্রাইয়েল কম কোচিংদা য়াওগদবা নুপীমচা ৭১গী মিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা লাউথোক্লে।

নুপীমচাশিং অদু জুলাই ৩গী অয়ুক পুং ৮দা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোংদা লাক্তুনা আধার অমসুং দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেটকা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

নেসনেল চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা রেকোর্দ ওইনা খ্বাইদগী য়ান্না টাইটল লৌবা ঙম্লিবনি। মণিপুরনা ২০০৩–০৪, ২০০৪–০৫, ২০০৮–০৯, ২০০৯–১০, ২০১৮–১৯ অমসুং ২০২৪–২৫দা চেম্পিয়ন ওইখি অদুগা ২০০৬–০৭ অমসুং ২০১৭–১৮দা রন্নর্স অপ তাখি।

প্রোবেবল লাউথোকপদা য়াওরিবা নুপীমচাশিং অদুদি দল্লিয়ু এফ এ ককচিংগী কেএসঐচ বন্ধনা, কে ঐচ ওলিভিয়া, এন এলিয়া, টিঐচ প্রামেশ্বরী, টিঐচ ভিক্টোরিয়া, দল্লিয়ু বিদান্তি, টিঐচ সচিনা, কেএসঐচ ফ্যনেক্স, এল থোইবী অমসুং দল্লিয়ু ক্রিমাতানি।

এফ সি ইম্ফালগী লাইশ্রম চীংলেন্বী অমসুং সিঐচ রোসনিনি। অম্মা অন্দ্রোগী ঐচ প্রেমিলা, সিঐচ জাসুমতি, কে তোন্দোন, এসঐচ লিন্থোই, এসঐচ তোম্বী, এস রানি লুৱাং, কেঐচ মোনালিসা, এল নুংশিবী, এল দিম্পল অমসুং ৱাই কৃতিনানি।

ৱাই দল্লিয়ু সি থম্বালখোংগী টিঐচ মার্টিনা, কে আশা, এল লুসিয়া চনু, ৱাই লিন্থোই চনু, মেরিনা ফৈরোইজম, ঐচ জেনিয়া, অগুন ৱাংলৈ খেংতোনৈ, দল্লিয়ু মোনিকা অমসুং এন জেসমিন চনুনি।

ইম্ফাল য়ূথ এফ সিগী কেঐচ আশা, এল এলিনা, এম অবেনাও, কেঐচ লিন্থোই, টিঐচ লনচেনবী, লিন্থোই থোঙাম, এ পান্থোই অমসুং মিনরনভা লোংজমনি।

ই এস য়ু ৱাংখৈগী এম সিক্কি, কোলোইসনা নিংথৌজম, এম কৃপালক্ষ্মী, এস হেমাবতি, লক্ষ্মিপ্যারি নাওরেম, দল্লিয়ু থাজ, এন জি রোবিয়া, দেলিনা নিঙোম্বম, গনপ্রিয়া ওক্রম অমসুং দাইনা কোইরেংনি।

কৃপ্সাগী এন লনচেনবী, দল্লিয়ু লিন্থোই, মিরালক্ষ্মী কৈশাম, এম নরমাদা, কে নন্দিনি অমসুং এস প্রিয়ানি।

আই সি এস এগী আই সনাতেন্বী, আই দাইনা, আই হেমাপতি, টি রেজিয়া, ও বিসেশ্বরী, এ রিতেশ্বরী, এম সনাথোই, এল লিন্থোইঙানবী, এস গুনিবালা চনু অমসুং এঞ্জেলিনা ওইনামনি।

ৱাই দল্লিয়ু সি লংথবালগী টি আশালাতা, এল পুর্ণিমালক্ষ্মী, এল সৈত্যমালা, এসঐচ জিগ্যা শর্ম্মা অমসুং রোম য়াইফবীনি।

# রিসব পন্ট বেট্টিংগী রেঙ্কিংদা ৬শুবা মফম কনখ্রে, বুমরাহ বোল্লিংগী চার্টতা মকোক থোংবদা লৈরি

দুবাই, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ
এন্দরসন–তেন্দুলকর ট্রোফিগী হেদিংলিদা ইংলেণ্ডগা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচকী ইন্নিংস অনীদা সেঞ্চুরি লৌখিবা ইন্দিয়াগী ৱিকেটকিপ্পর বেট্টর য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা লাউথোকখিবা আই সি সি মেন’স টেষ্ট বেট্টিং রেঙ্কিংদা ৬শুবা পোজিসন্দা হাইগৎখ্রে।

মশাগী চহী ২৭শুরবা রিসব পন্টনা মথংশিংনা রন ১৩৪ অমসুং ১১৮ লৌখি। অদুবু মেটচ অসি ইন্দিয়া ইংলেণ্ডগী মখূত্তা ৱিকেট ৫দা মায়থিবা নংখিবনি। রিসব পন্টকী খ্বাইদগী ফজবা পোজিসন অসি ২০২২দা ৫শুবদা লৈখিবা অদুনা ওইরি। অদুমকপু মহাক খ্বাইদগী ফজবা ওইনা রেট্টিং পোইন্ট ৮০১ ফংবা ঙমখি।



য়াসাস্বি জেসৱালসু মকোক থোংবা বেট্টর ১০গী মনুং চনখি। মহাক হৌজিক রেট্টিং পোইন্ট ৮৫১ ফংদুনা ন্যু জিলেন্দগী কেন ৱিল্লিয়মসনগী মতুংদা ৪শুবদা লৈরি।

বেট্টিংগী চার্ট অসি ইংলেণ্ডগী জো রুটনা রেটিং পোইন্ট ৮৯৯দা মকোক ওইরি অদুগা মহাক্কী টিমমেট হেরি ব্রুকনা রেটিং পোইন্ট ৮৭৪দা অনীশুবা মফম কল্লি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ট্রেবিস হেদ থাক ৩ কাখৎলগা ১০শুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে।

টেষ্ট বোল্লিং চার্টতা ইন্দিয়ান পেসর জস্প্রিত বুমরাহনা মকোক থোংলি। মহাক্না হেদিংলিদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱিকেট ৫ লৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেস হেজলৱুদ থাক অমা কাখৎলগা ৪শুবা মফমদা লৈখ্রে।

আই সি সি টেষ্ট ওল রাউন্দর রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী রবিন্দ্র জাদেজানা মকোক থোংবা মফম লেঙদনা কল্লি।

# টোপ সিদেদ সবালেনকানা বৌজকোভা মায়থিবা পীদুনা ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

লন্দন, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ
অহুল্লক গ্রান্দ স্লাম ৱিন্নর ওইখ্রবী নুপীগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ৱিমল্লেদন ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা শিংথানিংঙাই ওইরবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা চেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই মেরি বৌজকোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৬(৭–৪), ৬–৪দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবী য়ু এসকী মেদিসন কিজসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা সর্বিয়াগী ওলাগা দানিলোভিসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–২দা মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

জপানগী শান্নরোই নাওমী ওসাকাসু অনীশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী কেটেরিনা সিনিয়াকোভাবু ৬–৩, ৬–২দা মায়থিবা পীদুনা ৩শুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী কার্লোস অলকারাজসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা বৃটেনগী ক্বালিফায়র ওলিভর টারভেট্টপু ৬–১, ৬–৪, ৬–৪দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখি। ১২শুবা সিদেদ য়ু এসকী ফ্রান্সেস টিয়াফো বৃটেনগী কেমেরোন নোরিগী মখূত্তা মায়থিদুনা কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

# য়ুকি ভান্ব্রী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, রোহন বোপান্না লৈহৌরে

লন্দন, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ
ইন্দিয়াগী য়ুকি ভান্ব্রী অমসুং মহাক্কী অমেরিকান পার্টনর রোবার্ট গেল্লোৱে ষ্ট্রেট সেটতা মায় পাক্তুনা ৱিমল্লেদন ২০২৫গী মেন’স দবলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা শান্নখিবা মেন’স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ১৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী য়ুকি ভান্ব্রী অমসুং য়ু এস এগী রোবার্ট গেল্লোৱেনা মোনাকোগী রোমেন অরনিওদো অমসুং ফ্রান্সকী মেনুয়েল গুইনার্দপু পুং অমগা মিনিট ৪৯ চঙনা শান্নরবা মতুং ষ্ট্রেট সেট ৭–৬(১০–৮), ৬–৪দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ভেটরান রোহন বোপান্না অমসুং বেলজিয়মগী সেন্দর গাইল ঙসি শান্নখিবা মেন’স দবলসকী অহানবা রাউন্দদা জর্মন পেয়র কেভিন ক্রোৱিটজ অমসুং টিম পুইজগী মখূত্তা ৩–৬, ৪–৬তা মায়থিখ্রে।

অতোপ্পা ইন্দিয়ান রিথভিক বোল্লিপাল্লিনা কলম্বীয়াগী পার্টনর নিকোলাসকা শান্নরকপদা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী আলেকজেন্দর মুল্লর অমসুং বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৪–৬, ৬–৪, ৭–৬(১৩–১১) দা থোইখি।

# GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE: SOCIAL WELFARE DEPARTMENT
### NOTIFICATION

Imphal, the 26th June, 2025.

No. 10/10/2011-SW(IBS&DMS)GC. Pt/1910: It is hereby informed that the Composite Regional Centre for Skill Development, Rehabilitation & Empowerment of Persons with Disabilities (Divyangjan) [CRCSRE-SHILONG] is Inviting applications from interested candidates for undergoing Diploma in Indian Sign Language Interpretation (DISLI) course for academic year 2025-26. The details of the course is as shown below:

| Course | Duration | Minimum qualification | Total seats | Annual tuition fees |
|---|---|---|---|---|
| Diploma in Indian Sign Language Interpretation (DISLI) | 2 years | 12th Pass or Equivalent with General and OBC 50% marks and SC, ST & PWDs Parents 45% | 30 | 20,000/- per year + (5000/- CMD Refundable) |

The admission will start from 12.06.2025 and close on 12.07.2025 through online at https://rehabcouncil.in/Registration/Index/MTAwMQ%3d%3d (Institute Code: MG004).

Further, the institution also offers the following benefits to the intending candidates:

- The Trainees will get Rs. 2000/- stipend per month.
- Reservation will be provided as per the policies of the Central Government.
- No tuition fees for PWDs (Divyangjan)
- No tuition fees for Parents of Children with Disabilities.

For any query regarding admission to the above mentioned course please contact with the following mobile numbers:

9800682114, 8794968511, 8787858240 & 9558542688 or email ID: crcshillong21@gmail.com, crc.depwd-meg@nic.in

Sd/-
Anna Arambam
Director, Social Welfare
Manipur

SL/B-Nim/03

# কিদম্বী স্রিকান্থ ২শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

টোরোন্টো, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ
ইন্দিয়ান সট্লর কিদম্বী স্রিকান্থনা মহাক্কী টিমমেট প্রিয়ান্সু রাজাৱটপু অহানবা রাউন্দদা মায়থিবা পীদুনা কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন চঙখ্রে।

মারক্রাম পান অম সেন্টরদা শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৭শুবা সিদেদ প্রিয়ান্স রাজাৱট অহানবা গেমদা য়ান্না ফজনা শান্নরক্তুনা ২১–১৮দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান কিদম্বী স্রিকান্থনা অনীশুবা গেমদা অকনবা লম্বা পীরক্তুনা য়ান্না নক্কবা স্কোর ২১–১৯দা থোইদুনা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অসি গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমসুং দিসাইদিং গেমদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা স্রিকান্থনা মহাক্কী ফজবা মশান্না উৎথোকপা ঙমদুনা মহাক্কী টিমমেট প্রিয়ান্সু রাজাৱটপু ২১–১৪দা য়ান্না কোন্না থোইদুনা মেটচ অসি গেম ২–১দা মায় পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

কিদম্বী স্রিকান্থনা মথংগী রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী ৱাং পো–ৱৈগা লম্বা তৌনরগনি।

চহী অসিগী য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী অয়ুস সেট্টিনা টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ ওইদুনা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সট্লর সঙ্কর মুথুসামী সুব্রমনিয়ানগা লম্বা তৌনরগনি।

# বাংলাদেশ অহানবা ওইনা এ এফ সি ৱুমেন’স এসিয়ান কপ ক্বালিফায়র ওইদুনা পুৱারী শেমখ্রে

য়াঙ্গোন, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ
বাংলাদেশ গ্রুপ সিদা মেটচ অনী মায় পাকখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা এ এফ সি ৱুমেন’স এসিয়ান কপ ক্বালিফাই ওইদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

এ এফ সি ৱুমেন’স এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রগী য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা বাংলাদেশনা মখোয়দগী রেঙ্ক ৱাংবা ম্যান্মারবু ২–১দা মায়থিবা পীখি। ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা ক্বালিফায়র মেটচতা বাহরেন অমসুং টুর্কমেনিষ্টান দ্রো চৎখিবদগী বাংলাদেশ মথং চহীদা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসি ক্বালিফাই ওইখিবনি।

বাংলাদেশ ১২৮শুবা রেঙ্কতা লৈরি অদুগা ম্যান্মারনা ৫৫শুবা রেঙ্কতা লৈরি। ঙসিগী মেটচ অসিদা রিতু পোরনা চাকমানা চনখিবা গোল অনীগী মতেংনা ম্যান্মারবু মায়থিবা পীখিবনি। রিজল্ট অসিদা বাংলাদেশ মেটচ অনীদা পোইন্ট ৬ ফংদুনা গ্রুপ সিগী মকোক ওইরি।

বাংলাদেশনা ক্বালিফায়র টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেটচতা টুর্কমেনিষ্টানবু ৭–০দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা সামসুন্নাহর, রিতু পোরনা চাকমা, কোহাতি কিস্কু, তোহুরা খাতুন, মুনকি অখটের অমসুং বাহরেনগী রাৱান অলালিনা আওন গোল অমা চনখিবদগী মেটচ অসি চাওনা মায় পাকখিবনি।



বাংলাদেশনা এ এফ সি ৱুমেন’স এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রগী অরোইবা অমসুং ফাইনেল গেমদা টুর্কমেনিষ্টানগা লম্বা তৌনরগনি। বাংলাদেশ এ এফ সি ৱুমেন’স এসিয়ান কপ্তা অমুক্তা ফাওবা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রিবনি।

টাস্কেন্টকী বুনিয়োদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এ এফ সি ৱুমেন’স এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রগী মেটচতা নেপালগী সবিত্রা ভান্দারিনা চনখিবা হেটট্রিক গোলগী মতেংনা শ্রী লঙ্কাবু ৮–০দা চাওনা মায়থিবা পীখি। রিজল্ট অসিনা নেপাল গ্রুপ এফতা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা হাইগৎখ্রে।

# ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপঃ রিয়েল মাদ্রিদনা জুবেন্টস মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা দোর্টমুন্দগা শান্নরগনি

মেক্সিকো সিটি, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ
গোঞ্জালো গার্সিয়ানা অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনিটতা চনখিবা হেদ্দর গোলগী মতেংনা রিয়েল মাদ্রিদনা জুবেন্টসপু ১–০দা মায়থিবা পীদুনা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপ ২০২৫গী ক্বার্টর ফাইনেলদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগা লম্বা পানরগনি।

জাবি অলোন্সোগী মাদ্রিদ সাইদ অসি ঙসি য়ান্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখি। নারুবদগী স্বাদতা হল্লকখ্রবা কিলিয়ান এম্বাপেসু শান্নবগী ৬৮শুবা মিনিটতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙদুনা অহানবা ওইনা শান্নবা য়াওখি।

অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক য়ান্না লম্বা মান্নরকপদগী গোল ওন্থোকপগী তাঞ্জা ফংনখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা অকনবা এটেক চথরক্তুনা জুবেন্টসকী মায়কৈদা প্রেসর পীশিনখি।

শান্নবগী ৫৪শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকপা এটেক অমদা অলেজেন্দর আর্নোল্ডনা য়েৎথংবা মায়কৈদগী পীরকপা ক্রোস অমদা টিমমেট গোঞ্জালো গার্সিয়ানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০দা মাঙজিল থাখিবা অদুনা মেটচকী অপীবা মতম লোইশিন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

রিয়েল মাদ্রিদকা ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নগদবা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা মোন্টেরিবু ২–১দা মায়থিবা পীরম্বনি। বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সেরহৌ গুইরেসিনা ১৪শুবা অমসুং ২৪শুবদা চনখি। মোন্টেরিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ৪৮শুবা মিনিটতা বেরটরেমনা চনখি।

# সুধান্সু মিট্টলনা খো খোগী প্রসিদেন্ট ওইরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ
সুধান্সু মিট্টলবু খো খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (কে কে এফ আই)গী প্রসিদেন্ট অমুক হন্না খনখ্রে অদুগা উপকার সিংহ ভির্কপু জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা খনখ্রে।

মীখল অসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা কে কে এফ আইগী হেদক্বার্টরদা মায় পাক্না পাঙথোকখি। অনৌবা বোদি অসিদা ভাইস প্রসিদেন্ট ৮, জোইন্ট সেক্রেটরী ৪ অমসুং একজিক্যুটিভ মেম্বর ১৩সু খনখি।

## ক্রোসৱার্দ ৭৫৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | G | G | S | | O | S | L | O | | H | A | L | O | S |
| R | E | A | L | | S | P | A | N | | A | D | O | B | E |
| A | N | T | E | | C | O | N | C | E | S | S | I | O | N |
| S | E | E | N | | A | R | D | E | N | T | | N | E | T |
| | | | D | A | R | T | | | G | E | E | | | |
| A | S | S | E | S | S | | M | A | I | N | T | A | I | N |
| B | L | A | R | E | | T | E | R | N | | C | A | R | E |
| E | O | N | | A | S | H | A | M | E | D | | R | A | W |
| T | O | T | E | | T | I | N | Y | | E | M | O | T | E |
| S | P | A | R | S | E | S | T | | O | P | E | N | E | R |
| | | | E | E | R | | | L | O | P | E | | | |
| S | I | S | | N | E | E | D | E | D | | K | E | P | T |
| A | N | T | I | S | O | C | I | A | L | | E | L | L | S |
| S | C | A | R | E | | H | A | V | E | | S | L | A | P |
| H | A | T | E | D | | O | L | E | S | | T | A | N | S |

# IN THE COURT OF THE SPECIAL JUDGE (ND&PS), THOUBAL

**Special Trial (ND&PS) Case No. 63 of 2024**

Ref: FIR Case No. 83(11) 2020 KCG-PS:
U/S: 22(c)/60(3)/29 ND&PS Act.
State of Manipur
-Vs-
Hoineichong Baite, M. Lamkhonei Haokip and James Ngamminsat.

**FORM NO. 4**

PROCLAMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF A PERSON ACCUSED

*(See Section 82 of Code of Criminal Procedure)*

Whereas the complainant has been made that M. Lamkhonei Hankip (25) yrs. D/o Ngamkhojang Haokip of H. Kotlenphai village, PS- Tengnoupal, District- Tengnoupal. Manipur has committed (or is suspected to have committed) the offence punishable u's: 22(e) 60(3129 ND&PS Act and it has been returned to a warrant of arrest thereupon issued that the said accused couldn't be found at his house nor at his surrounding area and whereas it has been shown to my satisfaction that the said accused has absconded (or is concealing himself to avoid the service of the said warrant).

Proclamation is hereby made that the said person, M. Lamkhongi Haokip (25) yrs. D/o Ngamkhojang Haokip of H. Kotlenphai village, PS- Tengnoupal, District- Tengnoupal, Manipur, is required to appear before this Court to answer the said complaint on the 14th day of July, 2025.

Dated, this 5th June, 2025

Sd/-
Special Judge (P.O& P.S.)
Thoubal

SL/B-Sush/2&3

# GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
### NOTIFICATION

Imphal, the 30th June, 2025

12/PMS-FORMS/2012-TA&H: The Department of Tribal Affairs & Hills, Manipur Invites online applications for availing Pre-Matric Scholarship (reading in Classes-IX and X) and Post-Matric Scholarship from the desirous eligible Scheduled Tribe students belonging to Manipur State whose parents/guardians' annual Income does not exceeds Rs. 2,50,000/- pursuing their studies in the Govt/Govt. recognised Schools/Institutions/ Universities in India for the Academic Session of 2025-26.

2. Since, the Government of Manipur has started implementing these schemes under National Scholarship Portal (NSP 2.0), on Direct Benefit Transfer (DBT) mode through Public Finance Management System (PFMS) with effect from 2019-20, the Intending ST students shall submit applications for the year 2025-26 on online mode only through National Scholarship Portal (NSP 2.0) In the website www.scholarships.gov.in

3. The online application for the academic session of 2025-26 will be activated from 1st July, 2025. The last date for online submission details are as given below:

| Category | Scheme closing date | Defective Application Verification Open till | Institute Verification Open till | DNO/SNO/MNO Verification Open till |
|---|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) | (5) |
| (a) Pre-Matric | 30-11-2025 | 30-12-2025 | 30-12-2025 | 30-01-2026 |
| (b) Post-Matric. | -do- | -do- | -do- | -do- |

4. Further, it is Informed to all the student desiring to avail Hosteller benefit under the scheme, the guidelines provided. at Note 3, para 3.4.2. of Post Matric Scholarship Issued by Ministry of Tribal Affairs, Govt. of India needs to be ensured while submitting application through NSP, which is reproduced as given below:

***"Normally the term 'Hostel is applicable to be common residential building and a common mess for, the students run under the supervision of the educational Institution authorities. In case the college authorities are unable to provide accommodation in the college Hostel, an approved place of residence can also be treated as Hostel for the purpose of this scheme. The place will be approved by the Head of Institution after due inspection and keeping in view the rules and regulations laid down by the University, if any. In such case, a certificate to the effect that the student is residing in an approved place of residence as he is unable to get accommodation in the college hostel should be furnished by the Head of the Institution.***

ii. Applications submitted without certification by the Head of Institutions as per the above will be summarily rejected.

5. All student applicants are informed to use their unique mobile no., email ID, Log In ID and unique password for submission of application over NSP and maintain proper records of such credentials for future reference.

6. All Institutes, both Central/State Govt. which are fully funded by the govt. and students who are pursuing their studies Free of Cost are informed not to apply for the Pre-& Post matric ST Scholarship e.g: EMRS, NVS etc. In case, such applications are received from such Institutes, it shall be summarily rejected and penal action will be initiated against the institute's head.

7. All Institutes shall ensure verification and submission of application for the above scholarship as per the no. of. students enrolled in the AISHE/UDISE database mandatorily.

8. The Notification is issued for General information and Strict Compliance by the respective Institute heads as well as Institute Nodal Officers.

Sd/-L.N. Kashung, IAS
Director
Tribal Affairs & Hills, Manipur

SL/B-Nim/2&3